# “ফম্বা চল্লগা হিপ্পা চল্লি-!”

**– এল ইবোমচা –**



মণিপুরদা ম্যান্মার কুকি-জোশিং চেনশিল্লকপা হৌরকখিবসি ফেব্রুৱারী ১,২০২১দা ম্যান্মার মিলিটরি জুন্টা (হুন্টা) না কূ তৌরগা ম্যান্মার লৈঙাক অসি পায়শিনখ্রবা মতুংদগীনি। মসিগী মতুংদা মিলিটরি জুন্টা অমসুং ম্যান্মার লালহৌবা পি দি এফকা ঙাইহাক লৈতনা নোংমৈ কাপ্নদুনা খূৎ থোক্নদুনা লৈরকপদগী অশি-অনা, অশোক-অপন কয়া য়াওনরকপদগী মখোয়না লাঞ্জেন্নফম নুংঙাইগনি অমদি লৈবদা নুংঙাইগনি খনবা মণিপুরদা ওইনা চেনশিল্লকপনি। অসুম্না অহানবদা ম্যান্মার লৈবাক খক্তদগী চেনশিল্লম্বদগী হৌজিক্তি বাংলাদেশতসু বাংলাদেশ আর্মিনা অকনবা মওংদা মিলিটরি ওপরেশন চথরকপদগী লাঞ্জেল্লকপা কুকিশিংসি য়াওরগদি মণিপুরদা চেনশিল্লকপা চিন কুকি-জোগী অপূনবা মীশিং অসি লিশীং ৩০গী মথক্তা হেনখ্রে। হৌজিক হৌজিক মণিপুরগী কামজোং দিষ্ট্রিক্টখক্তা কুকি-জোগী মীশিং অসি খরা হন্নখ্রবা মতুংদা মী লিশীং ৫গী মথক্তা চঙজফম লৌদুনা লৈরি।

মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়রসনা হৌখিবা চহীগী মার্চ ১৯,২০২১দা মণিপুর, মিজোরাম, নাগালেন্দ অমদি অরুনাচল প্রদেশ লৈঙাকশিংদা মথংশিংনা অইবা চেরোল থাদুনা ম্যান্মারদগী আইন কায়না চঙলকপশিংদা আইনগী ওইবা মতিক চাবা থবক লৌখৎনবা অমসুং ফোরেন্নর অমত্তদা রিফ্যুজি ষ্টেটস পীদনবা খঙহনবা লৈখি। মসিনা মরম ওইরগা ম্যান্মারদগী চেল্লকপা কুকি-জোগী মীওই অমত্তা এসাইলম পীদে অমদি মখোয়গীদমক রিলিফ কেম্পশিং হাংদোক্তে। অদুবু ঙসিদি মণিপুর অমদি মিজোরামদা রিলিফ কেম্পশিং হাংদোরক্তুনা লাঞ্জেন্নরকপা কুকি-জোগী মীওইশিং চঙজফম পীরে। ষ্টেট অনীমক্তা রিলিফ কেম্পশিং হাংদোক্তুনা ম্যান্মারগী কুকিশিং লৈহল্লে। মিজোরাম ষ্টেটকী ওইনদি চীফ মিনিষ্টর লালদুহোমানা ম্যান্মার লৈবাক্তগী চেনশিল্লকপা কুকি-জোগী মীওইশিং মশাগী মরৈবাক্তা অমুক হন্না থিন্দোকখিনবা হোৎনবা অমদি চৎলো হায়দুনা তান্থোকখিবা ঙল্লোই হায়না ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টরদা ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে। তৌবদি হান্নগী চীফ মিনিষ্টর জোরাম থাঙ্গাসু চপ মান্ননা ফোঙদোকখিবা লৈখি।

লুরিবদি মিজোরামগী চীফ মিনিষ্টর লালদুহোমানা জুলাই ৬,২০২৪দা দেল্লীদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগা উন্নবা অমদা মিজোরাম লৈঙাক্না ম্যান্মারদগী চেনশিল্লকখিবা কুকি-জোগী কনাগুম্বা মীওই অমত্তা মরমদা থিন্দোকখিবা অমদি চৎখ্রো হায়না তান্থোকপীখিবা ঙল্লোই হায়বা ৱাফম অসিনি। মসিনা মরম ওইরগা মিজোরামগা য়ূল্লোন্নরিবা মণিপুরদা বোর্দর ফেন্সিং তৌবা, এন আর সী চৎনহন্নবা হোৎনবদা ফাগি তাদুনা তোক্কদৌরি। তৌবদি মিজোরামগী ওইনদি বাংলাদেশ অমদি ম্যান্মারদগী চঙলকপা কুকি-জোশিং মিজো ত্রাইবকী মনুং চনবনা মখোয়বু অমুক হন্না মরৈবাক্তা থিন্দোকখিবা নৎত্রগা তান্থোকখিবা তৌরোই হায়রিবসি মখোয়গা ঈ মরী লৈনৈ হায়বগীনি। অদু ওইরবসু চেনশিল্লক্লিবা কুকি-জোশিংসি মণিপুরদা লোন্না লিৎশিনখিদনবা ঐখোয়না হোৎনগনি হায়দবনা ঈ মরী তিন্নৈ খনবা কুকি ময়াম অমা হুরান লোন্নাদা মণিপুরদা চঙশিল্লক্লবদি হান্নদগী মীতোপ্পা প্রোব্লেম থোকহন্দুনা লৈরবা মণিপুর অসি অমুক্কা হেন্না অৱাবা ওইরগনি হায়বনি। তৌবগীসু মিজোরাম লৈঙাক্তি হান্নদগী হৌনা সেন্টরগী অথিংবা লৈনা লৈনা রিলিফ কেম্পশিং হাংদোক্তুনা চঙজফম পীদুনা লাকখিবনি অমদি সেন্টর লৈঙাক্না অৱাং-নোংপোক্তা ম্যান্মার মচাশিং আইন কায়না চঙলকপা থিংনবা, ঙমখৈ শম্বল খানবা অমদি এফ এম আর (ফ্রী মুভমেন্ট রেজিম) লৌথোক্লবা লৌখিবা ৱারেপ অদু মিজোরাম লৈঙাক্না য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা লাক্লিবনি। নাগালেন্দ য়াওনা মিজোরামনা ঙমখৈ লোন্নবদা শম্বল খাদনবা সেন্টর লৈঙাক্তা তক্নদুনা লাক্লিবনি।

অদুগা মিজোরামগী ওইনদি কুমজা ১৯৫১গী মতুংদা চঙলকখিবা কুকি-জোশিংদা লম লৈবা য়োনবা য়ারোই হায়বগী ৱাফম অমসু লৈরি। মসিমক্না অচুম্বমক ওইরবদি মিজোরাম লৈঙাক্না মিজোরামদা তূমিন্না চঙলকখিবা ম্যান্মার কুকি-জোশিং মণিপুরদা থৈদোরক্লম্বা য়াবগী চিংনবা লৈ। মরমদি মণিপুরদদি অসিগুম্বা অথিংবা অসি লৈতবনা ম্যান্মারদগী চঙশিল্লকপা কুকি-জোশিংনা মণিপুরদা হান্না চঙলক্লগা মণিপুর লৈঙাক্কী খুদোংচাবশিং ফংহন্নবা অরোনবা থৌরাং তৌরম্বা য়াই। মরম অসিনা বাংলাদেশ অমদি ম্যান্মারদগী মিজোরামগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা চঙজফম মফম লৌদুনা লৈরিবা কুকি-জোগী মীওইশিং অসি মিজোরামগী মিজোশিংনা অরোনবা লম্বী তাক্তুনা মণিপুরদা তূমিন্না থাজিল্লক্লম্লোই হায়বা হায়নীংঙাই লৈতে।

অদুনদি মণিপুর অসি য়েক্লবনা লাঙ্গোই চল্লে হায়বা য়ারে। মীৎ-না শিংনা লৈতবা য়াদ্রে তাকই। হায়বদি মণিপুরগী য়েলহৌমী মীতৈশিংদা কুকি-জো টেররিষ্টশিংনা চহী অহুম খরা হেন্না লান্দাশিন্দুনা লৈরকপদা ইন্দিয়াগী ঙাক-শেলদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা সেন্ট্রেল ফোর্স ফাওবা মীশি-মীনা কয়ামুক য়াওরল্লবা, বেঙ্কশিংদগী লোন্না অমদি ফোংনা নোংমৈ চিংদোন্দা নম্ফু-হাফুদা শেল মুনবতা নত্তনা এ টি এম বূঠ ফাওবদা ফক্তাইরগা শেল হুরাল্লক্লবা, নেশনল হায়ৱে লম্বীদা থোক্লক্তুনা অচৎ-অওকশিংদা নোংমৈ কাপশিন্দুনা মীশি-মীনা, অশোক-অপন ময়াম থোক্লক্লবা, লন-থুম মুল্লক্লবা অমদি য়ূমদা লোয়জবা শা-ষণ, হুই, হৌদোং, ঙানু, য়েন ফাওবা ফা-ফাদুনা চারক্লবসি ফাওবদা মপাঙ্গল কল্লবা লৈবাক্লি হায়নরিবা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা য়েংদুনা লৈখিবা মতৌদু খরা হাকমন্দ্রা হায়বনি। মীতৈগা কুকিগা খৎনজবনি হায়দুনা মীতৈশিংবু কুকি-জো টেররিষ্টশিং অসিগা মান্ননা লৌদুনা নিংঙাইদনা লৈথোক্লি অমদি কুকি-জোগী লাল্লোং অসি তাঞ্জুল, নাগা অমদি অতৈ ফুরুপকী মথক্তসু তপ্না-তপ্না শন্দোরক্তুনা লৈবদা হোম মিনিষ্ট্রিগী মখাদা লৈরিবা অসাম রাইফলসনা কুকি-জোশিং অসিবু ঙাক্তুনা থল্লি। অদুগা য়েলহৌমী ওইরিবা মীতৈশিংবুনা মালেমগী লৈমায়দগী মূখৎলগে খন্দুনা চঙশিল্লক্লিবা লাঞ্জং অসিদা ইন্দিয়াগী হোম মিনিষ্টরনা মতম মতমগী ওইনা থোকঅ-থোকঅবা ৱাফম ঙাঙদুনা লৈরি। মসিমক্তি অরানবা শৌগৎপা মরৈবাকপু মথম্মোয় শেংনা নুংশিদবগী খুদম্নি হায়বা য়াই।

মতাং অসিদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা খঙগদবদি ঙসি ফাওবা অসিদা মণিপুরগী য়েলহৌমী মীতৈশিংনা ইন্দিয়াদা করি অমত্তা লানবা লৈখিদ্রি অমদি (কুকি-জো নার্কো টেররিষ্ট) শিংনা চৎলিবা হন্থবা থাক্কী লমচৎ অসিগুম্বা অমত্তসু চৎখিবা লৈখিদ্রি। হৌখিবা চহীগী মে ৩,২০২৩দগী মণিপুরদা থোরক্লিবা লান (হায়নীংদে) ঈরাং অসি ওইজবা তানবদগী থোক্লকপনি, কাঙলূপকী ঈরাং ওইনা লৌবা চুমদে। অশেংবদি কাঙলূপকী ঈরাং নত্তে, কুকিশিংনা নমদুনা ওইহনবনি। অদুনদি ইন্দিয়া লৈঙাক্না কুকি কনানো হায়বসি নীংথিজনা মশক খঙদ্রিবা ফাওবা মীতৈশিং অসি খরা ৱাখিবা তারি।

কুকি-জো নার্কো টেররিষ্টশিংনা কুকিলেন্দ, সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশন নৎত্রগা য়ুনিয়ন টেরিটরি অমা শেন্বা পান্বদগী থোক্লকপা লাননা তুংগী য়ূম্বী ওইরক্কদৌরিবা ইচা-ইশুশিং লাইরিক তম্মী তম্ফম খঙদ্রে। হৌরক্লিবা জেনরেশন অসিনা করি করম তৌহৌবা, করম্বা ফীভমদা লৈহৌগবা খল্লু-খল্লুরগা তূম্বা য়াদে, চাবা য়াদে। কুইরে চহী অহুম খরা হেল্লক্লে মীতৈশিংনা ৱারক্লিবা। অমরোমদা খল্লু-খল্লুরগা ঐখোয়গী ইনিংথৌশিংদা ৱারৌদবসু ঙমদে। মরমদি হিংচাবা কুকিশিংবু ঐখোয়গা লৈমিন্নহৌনবা করিগীদমক চীংদা শৈদাংফম মফম পীদুনা থনল্লিবনো হায়বসিদনি। ঙসিদি হিংচাবনা হিংচাবা পোকই হায়বদুগা চপ মান্ননা মখোয়না শন্দাক্লম্বা ধারা ওইরিবা কুকি-জোশিংনা চীংগী লমশিং অসি কুকিলেন্দ শেম্নবা মীতৈশিংদা লান তাশিল্লক্লে। তাম্না উরিবা কবো তম্পাকনা উনা-উনা মাঙখিবগুম মণিপুরগী লৈহাও লৈরবা চীংশিং অসি মাঙখিগদ্রা পাখৎপা ফাওরক্লে। অসুম্না খজিক খজিক্তগী মণিপুরগী চীংশিং কুকি হিংচাবশিংগী মখূত্তা তারগদ্রা মীপাই থবাইবা পোক্লরে। মীতৈ ঐখোয়না য়াম্না মীনুংশি চাউরুবা অদুদা অশোনবা ওইনা লৌখিদুনা কুকি-জোশিংনা “ফম্বা চল্লগা হিপ্পা চল্লি-!” হায়বা অদুগী মওংদা খুদোংচাবা লৌগে খনবা মাল্লি। মসিমক্তি হেঞ্জিনবা ৱাখলনি। মরমদি নোংমা ইন্দিয়া লৈঙাক্না মণিপুরদা মখোয় শীজিন্নদুনা প্রোক্সি ৱার চথবা লেপখিবা মীকুপ্তা মখোয়গী তুংগী লাইবক করম থোকঅবা তম্বা ঙমদে। ●

# শরেংনা হাউরিবা, ঙসাংনা খোইথুম্নরিবা!

**– এল বীমোলচান্দ –**

কৈথেলগী শরেং য়োনফমদা মশা নানবা, নোইরপ তৌবা নুপাদুনা ঙায়োনবীদুদা তপ্না হংই “শরেংসিবু কেজিদা কয়া পীরি’গে”। মীতিক মীরৌ খঙখ্রবী ঙায়োনবীদুনা ফাগি ওই করি ওই “তাদা - শরেংদি মমল হংনদ্রবনি, চানীংবগী মখা পোন্না অদুম লৈনরবনি?” নুপাদু শরেং য়োনবীগী সাহিত্য চেনবা পাউখুমদুদা নোকফেৎ তৌনা “শায়াম থেংনমনবনা পাউখুমগদি ঈশিং লীৎত্রেদনা! ইবেম্মা, ইমুংগী চানবনি। চাকচা-হৈজানবগী নৎচদে, মমলদুবু!” ঙায়োনবীদু মরিল চুমথোক্লকপদুদা হায়ফম খঙদনা, “তাদা লুপা ৬০০ য়োল্লি, ফ্লাইটতা পুরকপদা মমল ৱাংখৎখ্রে!” নোকফেৎ তৌরগা নুপাদুনা “হিসাব অমা ফরক তারে, মপান লমগী নত্তবনিনা কেজি অমা লৌগে হায়সু ফরক তাই হায়নি...” সুর তাদবা য়ারক্কী ঈশৈ ঙংনা ঙংনা নুপাদু চৎখ্রে।

তশেংবনি মপান লমদদি অচৌ-অচৌবা ঙা অতেকপসি কিলোদি লায়রদনা কিলো মখায়, পৱাদা লৈগে ফংই। মী অহুম মরিতা চাবা ইমুংদুদা শরেং কিলো অনী/অহুম তাবদু লৈরগা পুশিল্লুরদি শেলসু তিংবা, মীৱাসু তাবা তাবনি। শরেং থোংবদু চাদি চানিংবনি, ফরক অমা য়াওবদুনা য়ারক্কী ঈশৈদু ঙংবা ওইরমগনি। সুম থোরকপনা কৈথেলগী মপান থংবরোমদা ষ্ট্রিট ভেন্দর ময়াম অমগী সংসার অমমুক থেংনরে। সুম খল্লি, মতম কুইনা কৈথেল চৎলুদবসিদি পুমহোং হোংলল্লেনা সিদি। লাক্লিঙৈসিদা পোৎ লৈবা লৈদবা থুংনবা চত্তুনা য়েংবু য়েংথোক্লগে। নুপীগী মশিলদা হৈ-পা শারুবগী মশিঙ খঙদা অপঙ তামনখিবনা কৈথেল কৌবতা চৎলরোই খন্না চৎখিদবসি চহী দিকেদ অমদি ফারম্লনি। সুম গাড়ী থৌরগা থবক চৎপদা কৈথেল ফাওদুনা চৎপবুদি অদুম য়াওই। কুম্মৈ হরাও লাকপদা মমাগা গাড়ীদা কৈথেলদা লাকপসু ময়াওই। কৈথেলগী খুচিন লাকচিনসিগা গাড়ী খাম্ফম্নগা ফরক তাবগা মমা থাজিনখ্রগা ঐনা গাড়ী শেন্নহৌবা ঙাক্তনি। পোৎ চৈ লৈবা লোইরগা হনমিন্নরকপা’সি ঙাক্তনি।

ষ্ট্রিট ভেন্দরসিনদুম পোৎ চৈ মখল শুবা মাল্লি। পোৎয়োনবীশিংসু মহৈ-মহৈ পোৎ য়োন্নবা হোৎনবদা অরাকপশিংদা লৈবীনবা হায়জ-নোঞ্জে। মনুং কৈথেলদনা মুকখায়রগা য়োনবদৌনা তৌই। পোৎ য়োনবীশিংগী পোৎ খূৎয়োন মান্নদ্রিবসি করিগীনো খল্লকই। খঙববুদি খঙই-মপানগী কৈথেলসিনা অকক্লবা পুংশিংগী কৈথেলনি। ত্রাফিক পুলিস হেক লাকপগা খোইরেল মসা পান্নরনি। সুম য়েং-য়েংদুনা চৎপদা মৌনহা ঙায়োনবী অমনা ফজখ্রবা ঙশাং অতেকপা লুবাক মখুমদা ফ্রিং-ফ্রিং চোংনা হৈদোক্তুনা থেল্লম্বদু হেক উরুরে।

“ইবেম্মা নঙগী ঙশাং অতেকপসি কম্মাইনা য়োল্লি?”

“তাদা - পৱাদা ১৫০নি, অনী লৌবীরো ২৫০দং পীবিরো। থানা লাক্লদি লোইনা মথোং খঙলরোই।”

ৱাহৈদুদা লৌরোই হায়বা ঙমদ্রে,

“ফরে-পৱা অনীদু ওনশিল্লো”

লুপা ২৫০ থাধরে। ঙসাংদু ফাবা ফাদবা মীৎ পেন্না হেক ওল্লকই।

পূক্লিংদদি খল্লি, ঙাসি য়াম্মনখ্রে, য়ূমদা মীৱা তারনিসে। ফরে, তঙ্খায় অমা য়াইথোক্কেরা, তাউথোক্কেরা মরাইনা হোৎনজরনি খন্না খন্না ময়ান ওইনবা য়োংচাক খরনে, আলু অবের চাইবীদু খরনে, তিল্লৌ মরূ কাবী মপুন্দু অনীনে লৈশিল্লে। কৈথেল থুংনা য়েংগে খনবনি, ঙসাং অতেকপদু কুইথরদি মশা নারক্তুনা তোক্লনি খন্দুনা গাড়ী খাম্ফম কাংজৈবুংদা অদুম চৎলে। ওন্থোকপা হায়দুনি গাড়ীগী হেক মনাক্তুদা ইনেম্বোক্কা অঙাং নুপীমচা অমগা থাজ দনা লেপ্তুনা লৈরম্লে। মনেম্বোক্লবু হান্না কৌরকই -

“ইবুংঙো মংলেম, নঙ লৈরম্বা ফরেদা! ইমাবু ননাওনুপীহোয় ফাওবদা থিল্লম্মু। নুংশানগা হাইগৎলকপনে খোঙনা অমুক চৎপা ঙল্লরোই।”

ইনাওনুপী হায়রিসে শগোলবন্দ সলাম লৈকায়দা ওংবী ইন্দুবুনি। মাগী নুপীগা পোকমিন্নবা মনাওনুপীনি। থিল্লোই করম হায়রুনি, কারদা কাখৎহল্লগা অদুম চৎমিন্নরে। লম্বীদা ঙসিদং কৈথেল কারকপা, শরেং য়োনবীগী মতৌ, ঙসাং য়োনবীগী ৱারী, মরী মরী লীরুই। মনেম্বোক্না-

“ইস, ঙসাং অতেকপদুদি চাবু চানীংঙিনে, য়োংচাক্কা আলু অবের চাইবীদুগা থাকচিল্লদি খুবীদুম চিকখায়নি...”

“হো- লোইনা শুনা য়াওরক্লে, ঐখোয়দা ওইনা নচানুপীনা থোংহল্লগা চারুসিরাও?”

“মোইনগা থোংবদা য়ৌরোইদা! ইহে! য়াদে-য়াদে ইন্দুনা মৈ হৌরনি- ঐনা চৎলিসে শরেং থোংবা চাবা চৎলিনি। মোইগী শরেং থোংবগী দুকান অমা হাংলে, মহাউ তংঙুরাও হায়বগী চৎলিনি...”

“হা! ইন্দুহোইগীবো?”

ঐগী ৱাখল হোংখিগুম তৌই, করি খল্লবনো, তনহং হংলুই,

“হৌজিকপু শরেং থোংবা লৈরম্লদ্রো?”

“ঙসাইনা লৈরম্লনি। অহৈবা পুজারি নেক্লগা থোংহনবনি হায়গুম্মি।”

য়ৌবু য়ৌরে-মতাই নপ্পা গাড়ী খাম্মে, মীনা মী চিল্লিবা। দুকান মমাঙদুদা গাড়ী খাম্না-খাম্না য়েংশিল্লুবদা ইন্দুগী দুকান্দুগী মমাঙদা মী মঙা/তরা লেপ্পা উই, ইন্দু মতৈ মনাওনা পোৎ তল্লি। ঐখোয় লাকপগা উবীপোৎ নত্তে। খনবদি খল্লি- মায় পাকপা করবার অমনিসে। অমুকসু খল্লি- পংকুই কুইরোইদা। খরা লৈরদি নাক-য়েৎতা শরেং থোংবা য়োনফমগী দুকান ঙাক্তা ঙায়রনি, মীতৈ মচাগী হৌনবী। ৱাইখু কলচর হায়বদো মীতৈ মচাগী হৈনবীনি।

অমুকসু খন্থে, করিনো ঐগী ঙসিগী কৈথেল খুকাসিবু! অয়ূক্কী থোংননবা লৈরিরা, নুমিদাংগীরা? মরক্তা ইনেম্বোক থেংনদুনা অমুক ইন্দুহোয়গী দুকান মমাঙদা ভাবোক ওইরি। ঐসে নোংমগী মীৱা তাহৌদ্রদি হৈনদ্রবা নুপা অমরা? মপূং ওইনা য়ূমগী নুপীগী করেম্নবা ৱাহৈ-ৱাতা ময়াম তাবদা য়াম হৈনরমদবনি, অদুবু হৌজিক্তি নোংমগী অমুক অনীরক তাহৌদ্রদি লৈফম খঙলক্ত্রে। করম্বা মখলগী এদিক্ত খুৎচুনো। কৈসু লৈতবদুদা ৱাখল লীশাং থারিঙৈ,

“ইবুঙো-নঙসু ঙাইহাক কুম্লকখোদনা - য়াম থেঙলব্রো”

“ওহ! ইমা - হোয় কুম্লক্কে, য়ানি” খংপ্রেক খংনা করি পাউখুম্লো মফম খঙখিদ্রে। গাড়ীদগী কুমথরগা দুকান মমাঙদুদা ঐখোয় অহুম্মক লেপ্লুরে। মীয়ামগী কুম্মৈদু য়েংলি। য়ূমদা মীৱা তাদনবা নুপীদা ফোন তৌরে। কৈথেলগী ৱারী, ইনেম্বোক থেংনবা, মনাওনুপীগীদা লৈরি শৃৎ নান্না তল্লে। শরেংদু অথোংবা ওইনা পুরক্লগে, অহিংবদি লৈনীংদ্রে, ঙাসাংসিসু ইনেম্বোক্না মখূৎমক্না ইন্দুহোয়দা থোংলগা চানি হায়রে কমদৌসিগে হংলি।

য়াম্না থাজদনা ঐগী নুপীনা হরাওনা পাউখুম্লকই-

“অদু ওইরদি অথুবদা হনবীরক্লো, ইমা-ইচা ঐখোয় অহুম ফি শেৎলম্লগে ঐখোয়সু য়েংনীংবনা কৈনোম তৌরে”

প্লান শুকয়াও য়াওদবা শরেং, ঙসাংগী চাকচা হৈজানবদু পূন্সিগী কাউররোই- শরেংনা হাউরিবা, ঙসাংনা খোইথুম্নরিবা! ●

# ভি আই লেনিন–লৌমী শিন্মী পুনশিন্নবগী লম্বী য়াৎলম্বা লময়ানবা – ১

**– সোতিনকুমার –**

সোসিয়েলিষ্ট থিওরি শাগৎপদদি ভি আই লেনিনসি মার্ক্সকা মান্নৈ অদুবু প্রোলেটরিয়েটশিংগী অরান খুভমগীদমক লমজিংখিবসিদি লেনিননি। তশেংবমকসু মহাকসি থিওরি অমসুং প্রাক্টিস লোয়ন-লোয়ননা ঈহৌ অমসুং ওর্গনাইজেশন অনী তুনা শাগৎপা ঙম্বা অতাঙবা লুচিংপুরেলনি। মহাক্কী পুন্সিগী খ্বাইদগী চাউবা মায়পাকপদি মালেমদা খ্বাইদগী ইহান হানবা সোসিয়েলিষ্ট রেভল্যুশন (ডি গ্রেট ওক্টোবর সোসিয়েলিষ্ট রেভল্যুশন) মায়পাক্না লুচিংখিবা, অপনবা, য়েৎখাইবা, খুদোংথিবা কয়া থেংনদুনা রেভল্যুশন্দু মায়পাক্লবা কম্যুনিষ্ট পার্টি লিংখৎখিবদুনি। মার্ক্সিজমদা য়ুমফম ওইদুনা ভি আই লেনিননা পুথোক্লম্বা থিওরিশিংগী মনুংদা মহাক্না হৌদোক্লম্বা ৱাখল্লোনদি –‘‘সোসিয়েলিষ্ট রেভল্যুশনগীদমক লৌমী শিন্মী পুনশিনহনবা’’ হায়বসিনি। ভি আই লেনিননা চুম্নতগী থিওরি অসি শাগৎপদা নত্তনা মসি ওইথোকই হায়বসি লৌমী শিন্মীগী অপুনবা শক্তিনা কুমজা ১৯১৭তা রুসিয়াদা ‘‘দি গ্রেট ওক্টোবর সোসিয়েলিষ্ট রেভল্যুশন’’ মায় পাকহনখিবা লোয়ননা লৌমী শিন্মীনা সাসনগী মপু ওইবা সোসিয়েলিষ্ট সমাজ অমা শেমগৎতুনা থবক ওইনা উৎখিবা অদুনি।

লৌমী শিন্মী পুনশিনহনবগী ৱাখল্লোন হৌদোকখিবা মার্ক্সিজমগী লুচিংপুরেল কাল মার্ক্স অমসুং ফ্রেদরিক এঙ্গেলসনা কুপ্না নৈনদুনা পুথোরকখিবা মমল নাইদ্রবা থিওরিশিংদা য়ুম্ফম ওইবা লাইরিকশিংদা মরু ওইনা ফোকস তৌরল্লিবসি (১৮ শুবা চহীচাগী) ইন্দষ্ট্রিগী পোৎথোক পুথোকপদা খরা হেন্না খুমাং চাওশিল্লবা য়ুরোপকী শিন্মীশিংনা থেংনরিবা চৈথেংশিংদা য়ুম্ফম ওইরগনি। মখোয় অনীনা ফোঙদোক্লম্লিবসি কেপিটেলিজমদগী সোসিয়েলিজমদা রেদিকেল সোসিয়েল ট্রান্সফোর্মেসন পুরকপদা প্রোলেটরিয়েটশিংনা লিদরসিপকী থৌদাং লৌরক্কনি হায়বসিনি। মখোয়গী খুৎইদা তোঙান তোঙানবা থাক্তা লৈরিবা লৌমীশিংনা ঈহৌসিদা য়াওরকপগী পোজিটিব অমদি নেগেটিব অসপেক্টশিং পল্লম্মী।

মতাং চানা পনবা য়াবা অমদি কুমজা ১৯৭১গী মার্চ ১৮ দা পেরিস (ফ্রান্স) কী শিন্মীশিংনা হৌরক্তুনা মখোয়গী খুত্তা শাসনগী চুপলি পায়শিন্দুনা মালেমগী পুৱারীদা ‘‘পেরিস কম্যুন’’ হায়না খঙনখিবা, মখোয়না কাউন্সিল ওফ কম্যুন শেমদুনা মে ২৮দা মায়থিদ্রিবা ফাওবা পোলেটরিয়েটশিংবু নমথদুনা থল্লম্বা নীতি-মিলিটরিজম, ব্যুরোক্রেটিজম, এক্সপ্লোইটেশন অমদি মোনোপোলি মুৎথৎনবা মতিক মথৌনা ফুদোক্তুনা থেংনখিবদা তুংকোইনা শক্তি পায়বা ঙমখিদবদু ফ্রেন্স বুর্জ্জুৱাজিশিংগী মাইকৈদা লৌমীশিংনা লেপখিবদগীনি। মসি ওইরকখিবগী মরুওইবা মরমদি বুর্জ্জুৱাজিশিংনা (শেঞ্জাও পায়বা) লৌমীশিংদা অরানবা প্রোপেগন্দা অমা মদুদি শিন্মীশিংনা বুর্জ্জুৱাজিশিংদা এটেক তৌরিবসি লৌমীশিংদসু হন্দুনা ওনশিল্লক্কনি হায়না শন্দোকপদগী নমথাক্কী লাংদা থুখিবদগীনি।

মার্ক্স অমসুং এঙ্গেলসনা লৌমীশিংগী শক্তি য়ান্না মাঙজৌননা উবা ঙমখ্রে হায়বসি মার্ক্সনা কুমজা ১৮৪৬কী এপ্রিল ১৬তা এঙ্গেলসতা ইখিবা চিঠি মদুদি – ‘‘হৌজিক জর্মনিদা চৎথরিবা প্রোলেটরিয়ান রেভল্যুশন অসি লৌমীশিংগী রেভল্যুশন অমনা মখা শমথরবদি থোইনা হেন্না ফগনি’’ ফোঙদোকখিবসিনা হেন্না ময়েক শেংহল্লি। ভি আই লেনিননা মার্ক্সকী মফোঙদোক অসি য়ান্না লূন্না লৌদুনা লৌমী শিন্মীগী অপুনবা শক্তি শাগৎতুনা ওক্টোবর রেভল্যুশন মায় পাকহনখি। ৱাফমসি মহাক্না মহাক্কী পুন্সি লোইরমদাইদা মে ৩০, ১৯২৩গী ‘প্রাভদা’ চেফোঙদা হাপ্তুনা ফোঙখিবা আর্টিকল ‘‘অৱার রেভল্যুশন’’ দা ময়েক শেংনা পল্লি।

লুচিংপুরেল ভি আই লেনিন চহী নৌরিঙৈদগী লাইরিক অমদি আর্টিকল কয়া ইদুনা ফোঙবা হৌরকখ্রে। কুমজা ১৮৯৬তা ‘‘দি দিভেলপমেন্ট ওফ কেপিটেলিজম ইন রুসিয়া’’ ইবা মতমদা মশাগী চহি ২৬তা মশুরি। লাইরিকসিদা মহাক্না শিন্মী অমসুং লৌমীশিংগী রেভল্যুশম্নরী পোটেন্সিয়েলগী মতাংদা কুপ্না নৈনবা থেংনগনি। অদুগা কুমজা ১৯০১ গী অঙনবা শরুক্তা মহাক্না ইখিবা আর্টিকল ‘‘দি ৱার্করস পার্টি এন্দ ডি পিজেন্টরী’’ দা শিন্মীশিংগী রেভল্যুশনরি পন্থুংগী মতাংদা অসুন্না পল্লি– ‘‘লৌমী মিলিয়ন কয়া লৈরিবসিদা ক্লাস ষ্ট্রগল অমদি পোলিটিকেল কন্সিয়সনেস মরূ হুন্দনা পান্দম অসি য়ৌবা ঙম্লগদ্রা? কনামতগী চিনবান্দগী মরূ অসি হুনবা ওইথোক্তে কাংথোক্তবা ওইসনু।’’ মথক্কী ৱাফমসি ভি আই লেনিননা কুমজা ১৯০৩দা ইদুনা ফোঙখিবা’’ টু দি রুরেল পুওর’’ কৌবা লাইরিক্তা মরিক চুম্না নৈনবা থেংনৈ।

লৌমী শিন্মী পুনশিন্নবগী অনী লোংবা পন্থুং– কুমজা ১৯০৫দা হৌখিবা অহানবা রুসিয়ান রেভল্যুশনদা শাসন পায়রিবা জারগী মখুৎতা মায়থীবা নংখিবদুনা কান্নরবা পুক্লিং লৌশিং ওইগদৌবা পারা কয়া তন্নবগী তাঞ্জা ফংখি। মসিদগী বোলসেভিক পার্টিগী অনৌবা স্লোগান ‘‘রেভল্যুশন্নরী ডেমোক্রেটিক দিক্তেটরসিপ ওফ ডি প্রোলেটরিয়েট এন্দ দি পিজেন্টরী’’ হায়বসি থোরকখি। মসিমক মার্ক্সিজমবু হেন্না মপুং মরৈ ফাহনবগী খুদমনি।

ভি আই লেনিননা হৌদোকখিবা অনৌবা স্লোগানসিগী য়ুমফমদি অরিবা (মমাংঙৈগী) কেপিটেলিজমগা অথেংবগী কেপিটেলিজমগী মরক্তা চাউনা খেন্নবদু উরকপদগীনি। মতাংসিদা পনবা য়াবা অমদি কুমজা ১৭৮৯ (১৮শুবা চহিচা)দা বুর্জ্জুৱাজিশিংনা ফ্রেন্স রেভল্যুশন মায় পাক্তুনা ফিউদেলিজম (অরিবা কেপিটেলিজম) মুৎথৎখ্রে লোয়ননা লৌমীশিংদা জমিন্দারশিংগী সম্পতীশিং য়েন্থোকখি। অদুবু অথেংবগী কেপিটেলিজমদদি বুর্জ্জুৱাজিশিংনা ফিউদেলিজম মুৎথৎনবা থেংনবগী মহুত্তা মখোয়গা কমপ্রোমাইজ তৌনখিবদগী লৌমীশিংগী দেমোক্রেটিক এসপিরেসন্দদা চাওনা শিংনরকখি। ●

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্বীজ -১৩৮গী ৱাহং**

১) “মৈতৈগী লাই হরাওবা হায়বা অসি মৈতৈনা থাদোকপা য়াদ্রবা, য়াম্নসু লুখ্রবা মুৎপা লৈররোইদবা থৌরম অমনি।”
ৱাহৈ পরেং অসি লাইরিক অমগী ৱাহৌদোক্তা অইবনা ফোঙদোকপনি। লাইরিক অসি ইথোক্লিবা অসি কনানো অমসুং লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে?

২) “সনারৈ নাচোম” হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

৩) “মণিপুরী গৌরিয়া বৈষ্ণব সমপ্রদায়গী নাৎ অমসুং ধর্ম্মগা মরী লৈনবা থোইদোক্না ভক্তিগা শাগোন্নবা মখল “জগোই রাস”কী মতাংদা লাইরিক ওইনা ইথোকপা হায়বসি ইতিক নত্তনা ইঙম্ তানবনি।”
ৱাহৈ পরেং অসি লাইরিক অমগী “ৱাহৈ খরদং” হায়বা অদুদা অইবনা ফোঙদোকপনি। য়াওরিবা লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে অমসুং অইবগী মমিং ইয়ু।

৪) “হেঞ্জুনহা-লাইরৌলেম্বী” (২০১২) হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি কনানা ইবগে?

৫) “ঙানু থঙ্গোং অহুম” হায়বা লাইরিক অসি অইবা কনাগী লাইরিক্নো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুন ১৫, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।